জি এস টিগীদমক শেম শাবীয় ≫ জুলাই ১, ২০১৭ তগী জি এস টি চৎনরগনি

নেসন টেক্স মার্কেট

FREQUENTLY ASKED QUESTIONS

# জি এস টিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদগী হংনরকপা ৱাহংশিং কুপ্না য়েংশিল্লে অমসুং অতেনবা ফেকশিং ওইনা শেমদোক্লে ।

## অহানবা শরুক ওইনা, ৱাহং ৫০ অমসুং মখোয়গী পাউখুমশিং মখাদা পীজরি।

### পার্ট - ১

| সে নং | ৱাহং | পাউখুম |
|---|---|---|
| | **রেজিষ্ট্রেসন** | |
| ১. | রিভর্স চার্জ বেসিস (আর সী এম) গী মখাদা টেক্স লৌবা ইনৱার্দ সপ্লাইজগী ভেল্যু এগ্রিগেট টর্নওভরদা য়াওগদ্রা? | সী জি এস টি এক্টকী সেক্সন ২ (৬) দা য়েংগনি। রিভর্স চার্জ বেসিসতা টেক্স থীগদবা ইনৱার্দ সপ্লাইদগী ভেল্যু এগ্রিগেট টর্নওভরদা য়াওদে। |
| ২. | ফার্মগী ষ্টেটস প্রোপাইটরসতগী পার্টনরসিপতা ওনবগী ফীভমদা দিলরনা পান লান্না মাইগ্রেট তৌরবদি করি তৌগনি? | পার্টনরসিপ ফার্ম অদু অনৌবা পান পায়গদবনা নৌনা রেজিষ্টর তৌবা চঙগনি। |
| ৩. | টেক্স লৌবা য়াবা মীওই অমগী ব্যুজিনেস ষ্টেট কয়াদা লৈ। সপ্লাইজ খুদিংমক লাক্ষ ১০ গী মখা ঙাক্তনি। মহাক্না ষ্টেট অমদগী ইন্টর ষ্টেট সপ্লাই তৌই। মহাক রেজিষ্টর তৌফম থোকপ্রা? | এগ্রিগেট টর্নওভর (ওন ইন্দিয়াগী ওইনা) লাক্ষ ২০ হেল্লবদি (স্পেসল কেটেগোরি ষ্টেটশিংগী লুপা লাক্ষ ১০) ওইরবদি নৎত্রগা মহাক ইন্টর-ষ্টেট সপ্লাইজদা ইনগেজ তৌরবদি রেজিষ্টর তৌবা চঙগনি। |
| ৪. | ঐখোয় প্রোভিজনেল জি এস টি ইন শীজিন্নবা য়াব্রা নৎত্রগা ঐখোয় অনৌবা জি এস টি ইন ফংগদ্রা? অনৌবা অমা ইস্যু তৌদ্রিফাওবা ঐখোয় প্রোভিজনেল জি এস টি ইন শীজিন্নবা হৌবা য়াররা? | নুমিৎ ৯০ নিগী মনুংদা প্রোভিজনেল জি এস টি ইনদু ফাইনেল জি এস টি ইন ওন্থোক্কদবনি। হোয়, ফাইনেল জি এস টি ইন ইস্যু তৌদ্রিফাওবা প্রোভিজনেল জি এস টি ইন শীজিন্নবা য়াই। পি আই দি অমসুং ফাইনেল জি এস টি ইন মান্নগনি। |
| ৫. | লিকর অসি জি এস টিগী লোনা কোন্দবনা কন্ত্রি লিকরগী ত্রেদরনা ভাটতগী জি এস টিদা মাইগ্রেট তৌবগী তঙাইফদবা লৈগদ্রা? | মীওই অদু চাদা ১০০ জি এস টি থীরোইদবা পোৎ চৈশিংদা ইনগেজ তৌবা ওইরবদি, রেজিষ্টর তৌবগী তঙাইফদবা লৈরোই। |
| ৬. | সী জি এস টিগী সেক্সন ২৩ গী মখাদা টেক্স থীনিঙাই ওইদে হায়রিবসি নিল রেটেদ সপ্লাই নৎত্রগা ভেল্যু হন্থনবা সপ্লাই হায়রিব্রা? | টেক্স থীনিঙাই ওইদে হায়বদি সি জি এস টি/এস জি এস টি/আই জি এস টি এক্টকী মখাদা টেক্স থীনিঙাই ওইররোই হায়বনি। সী জি এস টি এক্টকী সেক্সন ২ (৭৮) গী মখাদা পীবা দিফিনিসন্দা য়েংবীয়ু। |
| ৭. | তোঙান তোঙাবা ষ্টেটশিংদা প্রোজেক্টশিং পায়খৎলিবা সিভিল কন্ট্রেক্টরনা ষ্টেট খুদিংমক্কী ওইনা তোঙান তোঙান্না রেজিষ্টর তৌগদ্রা নৎত্রগা হেদ ওফিস লৈবা ষ্টেটতা খক রেজিষ্টর তৌবনা য়াগদ্রা? | সার্ভিস সপ্লাইয়র অমনা মহাক্না সার্ভিসশিং সপ্লাই তৌরক্কদৌরিবা মফমদুদা রেজিষ্টর তৌগদবনি। |
| ৮. | এগ্রিগেট টর্নওভরদা রিভর্স চার্জগী মখাদা রিসিপিয়ন্টনা টেক্স থীগদৌরিবা সপ্লাইজগী টর্নওভর য়াওগদ্রা? | সপ্লাইয়রদুগী এগ্রিগেট টর্নওভরদা রিসিপিয়ন্টনা রিভর্স চার্জ বেসিসতা টেক্স থীগদবা আউটৱার্দ সপ্লাইজ য়াওগনি। |
| ৯. | ষ্টেট অমদা এস ঈ জেদ য়ুনিট অনী লৈরবদি রেজিষ্ট্রেসন অনী লৌবগী তঙাইফদবা লৈগদ্রা? | ষ্টেট অমদা মান্নবা পান অমগী মখাদা এস ঈ জেদশিং রেজিষ্ট্রেসন অমা চংগনি। সী জি এস টি রুলশিংগী রুল ৮ (১) দা পীরিবা প্রোভাইসো য়েংবীয়ু। |
| ১০. | ইন্টরষ্টেট সপ্লাইদা শরুক য়াবা এদভোকেট অমা রেজিসত্রেসন চংবা রিভর্স চার্জগী মখাদা চার্জ তৌনিঙাই ওইব্রা? | রিসিপিয়ন্টনা আর সী এমগী মখাদা জি এস টি থীবা চংবা সপ্লাইজদমক তৌবা সপ্লাইয়রশিংদা রেজিষ্ট্রেসন তৌদ্রবসু য়াহল্লি। |
| ১১. | করম্বা মতমদা অতোপ্পা ষ্টেটতা রেজিট্রেসন তৌবা তাই? নাসিক্তগী অতৈ ষ্টেটতা সার্ভিস পীবদা অতোপ্পা ষ্টেটতুদা রেজিষ্ট্রেসন চঙগদ্রা? | নাসিক্তগী সার্ভিসশিং পীবা ওইরবদি মহারাষ্ট্রা খক্তদা রেজিষ্ট্রেসন লৌগদবনি অমসুং ইন্টর ষ্টেট সপ্লাইশিংদা আই জি এস টি পীগদবনি। |
| ১২. | ঐহাক জি এস টিগী মখাদা মাইগ্রেট তৌরে তৌইগুম্বসুং আই এস দি ওইনা রেজিষ্টর তৌবা পামই। ঐহাক হৌজিক এপ্লাই তৌবা য়াগদ্রা অমসুং প্রোসিদ্যুরনা করিনো? | আই এস দিগী ওইনা তোঙানবা অমসুং অনৌবা রেজিষ্ট্রেসন চঙই। |
| ১৩. | ঐহাক জি এস টিদা ইনরোল তৌরে তৌইগুম্বসুং এস এ সী কার্দশিং হাপ্পা কাউহৌরে। ঐহাক করি তৌগদগে? ষ্টেটসতি মাইগ্রেটেদনি। | মদুমক প্রোভিজনেল আই দিবু ফাইনেল রেজিষ্ট্রেসন ওন্নবা ফোর্ম রেগ-২৬ মেনবদা মেনবা য়াই। |
| ১৪. | ঐহাক্কী ইন্দিভিজ্যুএলশিংগী এস টি নম্বর লৈ অমসুং ঐহাক জি এস টিদা মাইগ্রেট তৌরে। ঐহাক্না মসি ঐহাক্কী প্রোপ্রাইটরসিপ ফার্মদা ত্রান্সফর তৌবা পামই। | মসি প্রোভিজনেল আই দিবু ফাইনেল রেজিষ্ট্রেসন্দা ওন্নবগী ফোর্ম রেগ-২৬ মেনবদা ওলহৌবা য়াই। |
| ১৫. | লুপা লাক্ষ ২০ ফাওবগী রেন্টেল ইনকম জি এস টি থীনিঙাই ওইগদ্রা হায়বীয়ু? নৎত্রগা অতৈ চার্জ থীনিঙাই ওইব্রা? | জি এস টি অসি এগ্রিগেট টর্নওভরনা লুপা লাক্ষ ২০ হেল্লবা মতমদদা থীনিঙাই ওই (স্পেসল কেটেগোরি ১১ দা লুপা লাক্ষ ১০)। এগ্রিগেট পাবদা নহাক্না তৌখিবা সপ্লাই পূম্নমক্কী সপ্লাইজ টর্নওভর তিনশিন্নগনি। |
| ১৬. | কনাগুম্বা অমনা জি এস টি আইটেম ০% দমক (হৱাই চেঙৱাইশিং) ললোন ইতিক তৌরবদি টর্নওভর লুপা লাক্ষ ২০ হেল্লবসু জি এস টিগী রেজিষ্টর তৌবা চঙগদ্রা? | ১০০% ইগজেম্পট তৌবা সপ্লাইশিংদমক দিল তৌবা মীওইদি টর্নওভরগী থীদনা রেজিষ্টর তৌনিঙাই ওইদে। |
| ১৭. | করিগুম্বা টর্নওভর লাক্ষ ২০/১০ ওইবা তারগদি নিল রেটেদ নৎত্রগা ইগজেম্পট তৌবা পোৎচৈশিং/সার্ভিসশিংদমক দিল তৌবা মীওই রেজিষ্টর তৌবা চঙগনি হায়বসি চুম্রা? | ১০০% ইগজেম্প তৌবা সপ্লাইজশিং দিল তৌবা মীওইদি রেজিষ্টর তৌনিঙাই ওইদে। |
| ১৮. | টর্নওভর লাক্ষ ২০ য়ৌদ্রবসু ঐহাক্না ভোলন্টরি ওইনা রেজিষ্টর তৌরবদি ঐহাক রেজিষ্টর তৌরবা মতুংদগী অহানবা সপ্লাইদগী টেক্স থীনিঙাই ওইব্রা? | হোই, নহাক টেক্স থীগদবা নোর্মেল মীওই ওইনা লৌগনি। |
| ১৯. | রেজিষ্টর তৌবা মীওই অমদা টি দি এস খাইদোক্লবা তোঙানবা জি এস টি ইন অমা পীগদ্রা (মহাক্কী পান অমসুং টান লৈ)? | টেক্স দিদক্টর ওইনা তোঙানবা রেজিষ্ট্রেসন চঙই। |
| ২০. | ষ্টেট অমদা চপ মান্নবা এন্টিটিনা ত্রেদিং অমসুং মেন্যুফেকচরি তৌবদা তোঙানবা রেজিষ্ট্রেসন চঙগদ্রা? | এক্টিভিটি খুদিংমক্কী ওইনা ষ্টেট অমদা রেজিষ্ট্রেসন অমদমক চঙগনি। |
| ২১. | ঐহাক টি এনদা রেজিষ্টর তৌই অমসুং এ পিগী রেজিষ্টর তৌদবা দিলর অমদগী সার্ভিস ফংলি, আর সী এমগী মখাদা জি এস টি থীনবা ঐহাক এ পিদা রেজিষ্ট্রেসন তৌগদ্রা? | ইন্টর ষ্টেটকী টেক্স থীগদবা সপ্লাই তৌবা মীওই খুদিংমক রেজিষ্ট্রেসন লৌবা চঙই। মরম অদুনা মসিগী কেস অসিদা এ পিগী দিলর অদুনা রেজিষ্ট্রেসন তৌগদবনি অমসুং টেক্স পীগদবনি। |
| ২২. | জি এস টিগী মখাদা মফমগী মতুং ইন্না ইগজেম্পসন তৌবগী মওং লৈগদ্রা? | জি এস টিদা মফমগী মতুং ইন্না ইগজেম্পসন তৌবগী মওং লৈরোই। |
| ২৩. | মহারাষ্ট্রগী কম্পেনি অমনা দিল্লিদা ইভেন্ট অমত্তমক পায়রবদি, মখোয় দিল্লিদা রেজিষ্টর তৌবা চঙগদ্রা? মহারাষ্ট্রদগী আই জি এস টি থীবখক্তনা য়াগদ্রা? | নহাক্না দিল্লিদগী সপ্লাই পীবা তারবদি নহাক দিল্লিদা রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী তঙাইফদে। নৎত্রবদি, মুম্বাইগী রেজিষ্ট্রেসন্না য়ারে (অমসুং মুম্বাইদগী দিল্লিদা সপ্লাইশিং পীবদা আই জি এস টি পীগদবনি)। |
| ২৪. | ঐহাক জি এস টিদা রেজিষ্টর তৌনবা মতম কয়াম শাংনা ঙাইবা চঙগনি? | রেজিষ্টর তৌদবা মীওই অমা লাইএবিলিটিগী তারিখতগী পারগা নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা রেজিষ্ট্রেসনগী ফোর্মেলিটিশিং মপূং ফাহল্লগা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়াগনি। |
| ২৫. | ঐহাক জি এস টিগী মখাদা রেজিষ্টর তৌনিঙাই ওইদ্রবা তৌইগুম্বসুং সার্ভিস টেক্সকী মখাদা রেজিষ্টর তৌবা ওইরবদি করি তৌগনি? | নহাক জুলাই ৩১, ২০১৭ তা নৎত্রগা মমাঙদা প্রোভিজনেল আই দি কেন্সেল তৌনবা এপ্লাই তৌবা য়াগনি। |
| ২৬. | এজেন্টশিংগী টর্নওভর করম্বা মতমদা রেজিষ্ট্রেসন তৌনবা প্রিন্সিপালদা হাপচিনগনি? | অসিগুম্বা লৈরোই। |
| ২৭. | ঐহাক হৌজিক্কী টেক্সপেয়র অমা ওইদবা তারবদি অমসুং জি এস টিগী মখাদা নৌনা রেজিষ্টর তৌবা পান্নবদি, করম্বা মতমদা ঐহাক্না অসুম্না তৌগদগে? | নহাক জুন ২৫, ২০১৭ কী পুং ০৮০০ তাবদগী জি এস টি পোর্টেল gst.gov.in দা অনৌবা রেজিষ্ট্রেসনগীদমক এপ্লাই তৌবা ঙম্লগনি। |
| | **ইনপুট টেক্স ক্রেদিট** | |
| ২৮. | সপ্লাইয়রনা রাজস্থান্দগী পোৎ লৈবদা চার্জ তৌবা রাজস্থানগী এস জি এস টি মৈধ্য প্রদেশতা এস জি এস টি পীবদা শীজিন্নবা য়াগদ্রা? | ষ্টেট অমগী এস জি এস টি অতোপ্পা ষ্টেটকী আউটপুট টেক্স লাইএবিলিটি পীনবগী শীজিন্নবা য়ারোই। |
| ২৯. | কনাগুম্বা অমনা অতোপ্পা ষ্টেট অমগী আই জি এস টি পীবদা করম্না এস জি এস টি ক্রেদিট শীজিন্নগদগে? | চপ মান্নবা জি এস টি ইনগী মখাদা আই জি এস টি লাইএবিলিটি পীবদা এস জি এস টি ক্রেদিট শীজিন্নবা য়াই। |
| ৩০. | ষ্টেট অমগী সী জি এস টি অতোপ্পা ষ্টেটকী সী জি এস টি পীবদা শীজিন্নবা য়াগদ্রা? | ষ্টেট অমগী সী জি এস টি অমসুং এস জি এস টি ক্রেদিট অসি ষ্টেট অদুদা চপ মান্নবা জি এস টি ইনগীদমক মখোয়গী সী জি এস টি/এস জি এস টি লাইএবিলিটিশিং পীবদা শীজিন্নবা য়াগনি। |
| ৩১. | সপ্লাই তৌখিবা সার্ভিসকী ওইনদি বিল শেন্নিবা ষ্টেটতা ক্রেদিট পীগদ্রা নৎত্রগা সার্ভিসতুবু পাঙথোক্লিগা ষ্টেটতুদা পীগদ্রা? | সপ্লাই পাংলিবা ষ্টেটতুগী টেক্স লৌগনি। সপ্লাইয়র অদুনা আই জি এস টি লৌগনি অমসুং রিসিপিয়ন্ট অদুনা আই জি এস টি ক্রেদিট লৌগনি। |
| ৩২. | সিমেন্ট অমসুং পৱার মেন্যুফেকচর তৌবা কম্পেনিনি। পৱারগী ব্যুজিনেসকা মরী লৈনবা ক্রেদিট রিভর্সেলদা করম্বা রুল পানগনি? | সপ্লাইয়রনা ইগজেম্প তৌবা অমসুং ইগজেম্প তৌদবা সপ্লাইজ পীবা মতমদা চৎনগদবা আই টি সীগী রিভর্সেলগী অকুপ্পা রুলশিংদু আই টি সীগী রুলশিংদা য়াওরি। |
| ৩৩. | রেজিষ্টর তৌদবা সপ্লাইয়রনা করম্না জি এস টি ইনদা ক্রেদিট/দেবিট নোট রিপোর্ট তৌগনি অমসুং মদুদা আই টি সী ক্লেম তৌগনি? | ইনভোইসকুম্না রেজিষ্টর তৌদবা মীওইগী ক্রেদিট/দেবিট নোটশিং রেজিষ্টর তৌবা মীওইদা ইসু তৌগনি। মখা তানা জি এস টি আর ২ না মদুমক রিসিপিয়ন্টবু রিপোর্ট তৌবা য়াহল্লি। |
| | **ইনভোইস** | |
| ৩৪. | দুকান অমনা টেক্স থীগদবা অমসুং থীরোইদবা পোৎথোকশিং চপ মান্নবা মীওইদা (বি টু সী), টেক্স ইনভোইস অমসুং বিল ওফ সপ্লাই তোঙান তোঙান্না ইসু তৌবা চঙগদ্রা? | অসিগুম্বা কেসতদি মীওই অদুনা টেক্স থীগদবা সপ্লাইদুগী টেক্স ইনভোইস অমা ইসু তৌগনি অমসুং ইনভোইসতুমক্তদা ইগজেম্প তৌবা সপ্লাই অদুসু লাউথোক্কনি। |
| ৩৫. | রেজিষ্টর তৌবা দিলরশিংনা রেজিষ্টর তৌদবা দিলরশিংদা পোৎ চৈশিং য়োনবদা আধার/পান রেকোর্দ তৌগদ্রা? | জি এস টি এক্টকী মখাদা কষ্টমরদুগী আধার/পানগী অকুপ্পশিং লৌবগী তঙাইফদবা লৈতে। |
| ৩৬. | সেলস ইনভোইসতা চার্জ তৌবা ফ্লাইট/ত্রান্সপোর্ট/পেকিংগুম্বা চাদিং খুদিংমক জি এস টিদা টেক্স থীনিঙাই ওইব্রা? বিলদা করম্না চার্জ তৌগনি? | চাদিং খুদিংমক ভেল্যুদুদা য়াওগদবনি অমসুং মদুগী মতুংইন্না ইনভোইস ইসু তৌগদবনি। সী জি এস টি এক্টকী সেক্সন ১৫ অমসুং ইনভোইস রুলশিংদা য়েংবীয়ু। |
| ৩৭. | ঐখোয়না দেলিভরি চালান্দা বিল্ডরশিংদা কন্সত্রক্সনগী পোৎলমশিং পুশিনবা অমসুং থবক মপূং ফারবা মতুংদা টেক্স ইনভোইস ইসু তৌবা য়াগদ্রা? | কন্সত্রক্সনগী থবক্তা পোৎ চৈশিং সপ্লাই তৌবা তারবদি ইনভোইস তঙাইফদনা চঙই। পোৎ চৈশিং অদু কন্সত্রক্সনগী টুলশিং ওইনা শীজিন্নগদবা ওইরবদি দেলিভরি চালান ইসু তৌগনি। |
| ৩৮. | জি এস টিদা মখাগী ত্রাঞ্জেক্সন অসি করম্না ত্রিট তৌগনি<br>(i) ত্রাঞ্জিটতা দেলিভর তৌবা সপ্লাই ৱাৎলম্বা।<br>(ii) কষ্টমরনা চাং ৱাংনা ফংবা অমসুং তানা পীবা। | সপ্লাইয়র অদুনা কষ্টমরশিংদা ক্রেদিট নোট ইসু তৌবা য়াই। |
| ৩৯. | ঐখোয়না আর সী এমদা জি এস টি লাইএবিলিটিগী সেল্ফ ইনভোইস ইসু তৌগদ্রা নৎত্রগা চাদিংগী বুকিং ভৌচরগী খুথাংদা জি এস টি পীবা য়াগদ্রা? | আর সী এম লাইএবিলিটিশিংগী টেক্স ইনভোইস ইসু তৌগদবনি। |
| | **কম্পোজিসন স্কিম** | |
| ৪০. | ঐহাক জি এস টিগী কম্পোজিসন স্কিমদা য়াওরে খল্লসি। ঐহাক্না রেজিষ্টর তৌদবা মীওইদগী পোৎ চৈশিং লৈবা তারবদি, ঐহাক্না গভর্ণমেন্টদা জি এস টি পীগদ্রা নৎত্রগা পীরোইদ্রা? | হোই, রেজিষ্টর তৌদবা মীওইদগী লৌবা সপ্লাইগী ওইনদি নহাক রিভর্স চার্জ বেসিসতা টেক্স পীবা চঙই। |
| | **কষ্টমস** | |
| ৪১. | পোৎ চৈশিং পুশিল্লকপদা করম্বা দ্যুটিশিং থীহনগনি? | কষ্টমর্স দ্যুটি অমসুং সেস এপ্লাই তৌবা য়াই + আই জি এস টি + জি এস টি কমপেন্সেসন সেস। ইমপোর্টশিংগী ভেল্যুদা কষ্টমস দ্যুটি অমসুং কষ্টমস সেস পূম্নমক তীনশিল্লবা মতুংদা আই জি এস টি অমসুং জি এস টি কমপেন্সেসন সেল পীগদবনি। |
| | **এক্সপোর্টস** | |
| ৪২. | হৌজিককী প্রসিজরদা নেপালগী সার্ভিস টেক্স লৈ। তৌইগুম্বসুং নেপালগী গুদস টেক্সতি লৈতে। জি এস টিগা লোয়ননা করি টেক্স এপ্লাই তৌগনি? | নেপালগী এক্সপোর্ট প্রসিজরদু অতৈ লৈবাকশিংগীগা মান্নগনি। |
| ৪৩. | এস ঈ জেদকী ইগজেম্পসনশিং লৈব্রা? জি এস টি রেজিমদা এস ঈ জেদ ত্রাঞ্জেক্সন করম্না থোক্কনি? | এস ঈ জেদশিংদা তৌবা সপ্লাইশিং আই জি এস টি এক্টকী সেক্সন ১৬ কী দিফিনিসনগী মতুংইন্না জিরো-রেটেদ সপ্লাইশিংনি। |
| ৪৪. | এস ঈ জেদশিংদা য়োনবা অমসুং লৈবদা করম্না ত্রিট তৌগনি? মদু এক্সপোর্ট/ইম্পোর্ট ওইগদ্রা? | এস ঈ জেদশিংদা সপ্লাই তৌবা হায়বসি জিরো রেটেদ সপ্লাইজনি অমসুং এস ঈ জেদশিংনা দি টি এদা সপ্লাই তৌবদি ইম্পোর্টশিং ওইনা ত্রিট তৌগনি। |
| ৪৫. | জি এস টিগী মখাদা ইন্টরনেসনল এক্সপোর্ট ফ্রাইটকী ষ্টেটস শেংদোকপীয়ু মরমদি পি ও পি এস রুলশিংগী মখাদা মসিমক ইগজেম্প তৌই। লৈবাক অয়াম্বদা মসি জিরো রেটেদ ওই। | সার্ভিস প্রোভাইদর/সার্ভিস রিসিভরগী মফমগী মখা পোন্না আই জি এস টি এক্ট ২০১৭ কী সেক্সন ১২ (৮) নৎত্রগা সেক্সন ১৩ (৮) গী মতুং পোৎশিং পুবগী পি ও এস লেপই। এক্সপোর্টশিং জিরো রেটেদ সপ্লাইশিং ওইনা ত্রিট তৌই। |
| ৪৬. | এস ঈ জেদশিংদগী পোৎ চৈশিং ইম্পোর্ট তৌবদা কনানা আই জি এস টি পীগনি? | অসিগুম্বা সপ্লাইদি ইম্পোর্ট ওইনা ত্রিট তৌই অমসুং দ্যুটি থীবগী হৌজিক্তা চৎনরিবা প্রসিজর সী ভি দিগী মহুৎতা আই জি এস টি থীবদা লৈবা খেন্নবগা লোয়ননা মখা তানা চৎনগনি। |
| ৪৭. | এস ঈ জেদতগী পোৎ চৈশিং লৌবা মতমদা কনানা আই জি এস টি পীগনি? ঙসিদি ইম্পোর্টরনা বি সী দি অমসুং সী ভি দি অনীমক পীরি। | অসিগুম্বা সপ্লাইদি ইম্পোর্ট ওইনা লৌগনি অমসুং হৌজিক চৎনরিবা দ্যুটি থীবগী প্রসিজর সী ভি দিগী মহুৎতা আই জি এস টি থীবদা লৈবা খেন্নবগা লোয়ননা মখা তানা চৎনগনি। |
| | **রিফন্দ** | |
| ৪৮. | সার্ভিস টেক্সতা ঐহাক্কী এক্সপোর্য রিফন্দ পীরক্কদবা লৈ। করি থোক্লক্কনি? | মমাঙগী লোশিংগী মখাদা পীগদবা রিফন্দশিং মরী লৈনবা লোশিংগী মখাদা পীগনি। |
| ৪৯. | এক্সপোর্টর অমা ওইনা, ঐহাক্না ঐহাক্কী ৱার্কিং কেপিটেলবু করম্না রিফন্দশিং ওইনা ব্লোক তৌহল্লোইদগে? | রিফন্দ থাবা নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা প্রোভিজনেল ওইনা চাদা ৯০ গী গ্রান্ট পীনবা লোদা চানবা প্রোভিজনশিং লৈরে। |
| | **সেস** | |
| ৫০. | কোইলাগী মতাংদা জি এস টিনা করি ইম্পেক্ট লাকহনগদগে? কোইলাদা লৌবা ক্লিন ইনর্জি সেস লৌররোইদ্রা নৎত্রগা অদুম চৎনখিদ্রা? | কোইলাগী ক্লিন ইনভাইরনমেন্ট সেস জি এস টি কম্পেন্সেসন সেসনা মহুৎ শিনগনি। |

দিসক্লেমর : মথক্তা পীরিবা পাউখুমশিং ইদ্যুকেসন অমসুং গাইদন্সকীদমক ওইননি অমসুং লিগল ভেলিদিটি লৈরোই।
অকুপ্পশিংগীদমক http://www.cbec.gov.in/resources//htdocs-cbec/gst/tweet-faq.pdf তা য়েংবিয়ু

davp 15502/13/0063/1718

লৈবাক অমা শেম্মী, টেক্সশিং থীনরবা মতমদা

ঐখোয়দা ত্বিট তৌবিরকউ @askGST_GoI দা জি এস টি গা মরী লৈনবা ৱাহং খুদিংমক

সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ এক্সাইজ এন্দ কষ্টমস এন্দ কম্মর্সিয়েল টেক্সেস দিপার্টমেন্টস ওফ ষ্টেটস/য়ুনিয়ন টেরিটোরিস
www.cbec.gov.in